**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 08-07-2025)**

**দেঙ্গি(এল)ঃ** চহী অসিগী ওইনা জনুৱারি থাদগী হৌজিক ফাউবদা মণিপুরদা দেঙ্গিনা নাবা মীগী মশিং ৭২ শুরে। লায়না অসিনা মীওই ১ লৈখিদ্রে।

ষ্টেট মেলরিয়া ওফিসর-ডা.সলাম প্রিয়োকুমারনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-লায়না অসি মরুওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং বিষ্ণুপুর জিলাগী মফম কয়াদা শন্দোকপা থেংনরে। লায়না অসিগী য়েংলগা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা লৈবা হেলথ সেন্তরশিংদা ব্লদ কল্লেক্সন তৌবগী থবকশিং পায়খৎলি। মীয়ামা য়ুমগী য়েৎনখা লুখাদা লৈবা পাত্রাশিংদা ঈশিং তুংহন্দুনা থমলোইদবনি। য়ারিবমখৈ কাংনা চিকহন্দনবা হোৎনগদবনি।

**দিংগো (এল)ঃ** হান্নগী মন্ত্রি-হৈখাম দিংগোনা হায়রি-রাজ্য অসিগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্দুনা মীপাল তাংদবা লমদম অমা ওহহন্নবা হোৎনবদা খুঙ্গংগী মীয়াম মপুং ফানা চাউখৎহন্নবা হোৎনফম থোকই।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টকী লমজিং মখাদা মনিপুর ষ্টেট রুরেল লাইফলিহুদ মীসন অমসুং ফয়েং কাংজৈবুং অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা ঙসি পাঙথোকপা দিষ্ট্রিক্ট কনভরজেন্স মেলা হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী দিংগোনা হায়-মনিপুর অসি শেল থুম অমসুং চিঞ্জাক য়াওনা লম কয়াদা মীপাল তাংদুনা হিংলি। মসিবু কোকহন্নবা হোৎনবদা খুঙ্গংগী লমদা লৈরিবা মীয়াম মরু ওইনা নহারোলশিংনা থবক কন্না শু-নোম্বগী তঙাইফদবা লৈ। মনিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মায়ামগীদমক য়াইফ থৌরাংশিং পায়খৎপদা নীংবা থুংদবা কয়া লৈ। মহাকা মীয়ামগী মীহুৎ অমা ওইনা য়ারিবমখৈ চাউখৎ থৌরাংগী থবকশিং অঙম্বা থাক্তা পায়খৎনবা হোৎনগনি হায়নসু শ্রী দিংগোনা

ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা, ফয়েং গ্রাম পঞ্চায়টকী চেয়রপার্সন-অঙোম গোজেন্দ্রো অমসুং লমশাং এস.দি.ও. মন্দনগোপাল লাইশ্রম অমদি এস.দি.সি. লমশাংনচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি।

**ধরতি (এল)ঃ** ধরতি অবা জন্ন জাতিয়া গ্রাম উকরস অভিয়ান কেম্পেইন চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা সোংপি খুঙ্গংদা পাঙথোকখ্রে।

কম্পেইন অসি তুইবোং সব দিভিজন ওফিসার-শ্রী জাংমিনলেন লুপোগী মীৎয়েং মখাদা চখখিবনি। থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিএলশিংনা হাংবা স্তোলশিংদা মীয়ামগী তঙাইফদবা সার্ভিস কয়া ফংহনখি।

অমরোমদা, সেনাপতি জিলাগী ওইনা মমাং থাগী ১৭ তগী জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-মামোনি দোলেনা হৌদোকখিবা ধরতি অবা কেম্পেইন অসিদা, হৌজিক ফাওবদা জিলা অসিগী মনুংদা লৈবা ব্লোক্কী তরুক্কী খুঙ্গং ২০ দা কেম্পেইন অসি মায় পাকা চখখ্রে হায়রি।

**কাংপোকপী (এল)ঃ** কাংপোকপী জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমদি মুস্তার্দ সিদ ফাউন্দেসন অনিনা পুন্না শিনদুনা চখরকপা চয়োল অহুমগী স্কিল দিবলপমেন্ট ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম ঙসি জিলা অসিগী কংগুই খৃষ্টান কলেজতা লোয়শিনখ্রে।

লোয়শিনবগী থৌরমদা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-শ্রী মহেশ চৌধুরি শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংদা দিপ্যুতি কম্মিস্নারনা হায়-পি.পি.পি. মোদেলদা পুন্না থবক তৌমীন্নবগী মওংদা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসি অফবা অমনি। সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনা খুন্নাইদা কান্নবা পীগদবা থবক থৌরম কয়াদা থৱায় য়াওনা য়াওশিল্লবদি হেন্না চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি।

**কোবিদ (এল)ঃ** মনিপুরদা ঙসি মীওই ২৩ কোবিদ নাইন্তিন টেষ্ট তৌবগী মনুংদা মীওই অনি নৌনা পোজিটিব ওইরে। পোজিটিব ওইবগী চাং চাদা ৮.৭ নি।

হকশেলগী বিভাগকী চেরোল অমদা হায়-লায়না অসিনা নারম্বা মীওই ৮ ঙসি নাবা ফগৎলকখি। অপুনবা পোজিটিব কেস ৩০৪ গী মনুংদা হৌজিক ফাওবদা মীওই ২৬৩ নাবা ফাগৎলক্তুনা এক্তিব কেস ৪১ লৈরি।

**গঞ্জা (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা মাও গেটতগী গঞ্জা কিলোগ্রাম ২১ গ্রাম ৮২৩ ফারে।

মাও পুলিস ষ্টেসন অমসুং ১৬ শুবা অসাম রাইফলসকী (বি) কম্পানিগী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং অচৎ অওকশিং চেক তৌবদা ইম্ফালোমদগী লাকপা পেসেঞ্জর ৰিঙ্গর গাড়ি অমদগী প্লাষ্টিক বেগতা হাপ্তুনা পুরকপা গঞ্জা অদু ফাগৎখিবনি। গঞ্জা অদু পুরকখিবা মীওই অনিসু ফারে হায়রি।

**এরেষ্ট (এল)ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী উৎলৌ এরিয়াদা লালহৌবশিং চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী পাউ অমা ৩৩ শুবা অসাম রাইফলসনা পীরকপদগী স্পিসিএল সি.দি.ও. য়ুনিটকী ও.সিনা লুচিংবা পুলিস কাংবু অমনা ঙসি অয়ুক পুং ১০ মখায়রোম তারকপদা মফম অদুদা চংশিনদুনা অচৎ অওকশিং চেক তৌখি। মদুদা, ৰেল কম টু বিষ্ণুপুর হায়না থাবা নেসনেল হায়ৰেগী মনাক্তা ইম্ফালোমদগী নম্বোললোমদা লাকপা কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.জি) গী মীওই অনি ফারে। মখোয় মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বদা চেন্নবা মীশিংনি হায়রি। ফারবা মীওইশিং অদু নম্বোল পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

**অঙাং (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দ্যুলালেন্দদা লৈবা এম.এম.কে.এস. চিলদ্রেন হোমগী গেট মমাংদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পোকপদা ঙায়রিবা নুপীমচা অমা লৈরম্লে।

সোসিয়েল ৱেলফিয়ার বিভাগকী মখাদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিটনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-অঙাং অসি হৌজিক জেনিমস হোস্পিতালদা থমলি। অঙাং অসি নুমিৎ ৬০ নিগী মনুংদা ইমুং মনুংনা লৌরনবা হায়রি।

**কাউন্সিল(এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হয়ার সেকেন্দরি এদুকেসন মনিপুরগী মখাদা ক্লাস এলবেন অমসুং টুয়েল্ব হাংলিবা মহৈ লোইশঙশিংনা একাডমীক সেসন ২০২৫-২৬ কী রেজিষ্ট্রেসন ফোর্ম থাজিনবা অমসুং ওন লাইনদা এনরোলমেন্ট থাজিনবা থা অসিগী ১১ দগী হৌরগনি।

এপ্লিকেসন ফোর্মশিং কাউন্সিলগী ৱেব সাইট-ঐচ.টি.টি.পি.এস. কোলোন স্লাস স্লাস কোসেম দোট এন.আই.সি. দোট ইনদগী দাউন্দলোদ তৌবা য়াগনি।

**এময়ু (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ টিচরস এদুকেসনগী ভিএটকী পরিক্ষাদা নুপী মহৈরোইশিংদা চেক তৌবদা ফজদবা থৌওং চথখি হায়রিবা অদুবু ওল মনিপুর দেমোক্রেটিক ৱিমেন্স এসোসিয়েসননা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোক্লি।

লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-মহৈরোই নুপীমচাশিংদা চেক তৌবা মতমদা ওজা নুপীশিং শিজিন্নবগী মহুৎতা ওজা নুপাশিংনা অসিগুম্বা থৌওং চথখি হায়রিবা ৱাথোক অসি মরী লৈনবা ওথোরিতিনা মীৎয়েং চংদুনা মতিক চাবা থবক লৌখৎকদবনি।

**কংগ্রেস (এল)ঃ** হঞ্জবম জয়দেব শর্ম্মবু ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কংগ্রেস কমিতিগী ইন টরিম প্রসিদেন্ট হাপলে হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিনা চেরোল অমা

থোকখ্রে।

**নোং (এল) ঃ** ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্টরনা হায়রি-হয়েং মনিপুরগী জিলা মরিদা ময়াই ওইরপ কন্না নোং চুরবা য়াই। জিলাশিং অদুদি-জিরিবাম, তেংনৌপল, চান্দেল অমসুং ফেরজোলনি।

ঙসিসু মনিপুরগী মফম অয়াম্বদা পারপনা নোং চুখি।

**গদকারি ঃ** কেন্দ্রগী রোড ত্রান্সপোর্ট এন্দ হায়ৱেজ মন্ত্রি-নিতিন গদকারিনা হায়রি-লৈবাক অসিদা কার্বোন থাদোকপগী চাং হন্থহন্নবা অমসুং নেসনেল হায়ৱেশিংদা ইকো ফ্রেন্দলি ওইবা ফিভম লৈহন্নবা সরকারনা কন্না হোৎনরি।

এক পের মা কে নাম টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা ফরিদবাদ-নোইদা ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্ট কোরিদোরদা ঙসি উ চারা থাবগী থৌরম অমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী গদকারিনা হায়-লৈবাক অসিগী নেসনেল হায়ৱেশিংদা হৌজিক ফাওবদা উ চারা কোতি মরি লাখ ৭৫ হেন্না থাখ্রে। কুমজা ২০২৪-২৫ দা উ চারা লাখ ৬০ থানবা পান্দম থমখিবা অদুদগী য়ামা হেন্না নেসনেল হায়ৱেশিংদা উ চারা লাখ ৬৭ থাবা ঙমখি। লৈবাক অসিদা নুংশিৎ মোৎশিনবগী অপুনবা শরুক্কী চাদা ৪০ দি ত্রান্সপোর্ট সেক্তরনা ওইরি। মরম অদুনা অকোইবগী ফিভম হেন্না ফগৎহন্নবা মন্ত্রালয় অসিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী লৈবাক মঙাগী খোঙচৎকী অরোইবা ওইনা হয়েং নামিবিয়াগী ৱিনহোকতা থুংলগনি।

খোঙচৎ অসিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী অহানবা নামিবিয়া খোঙচৎ ওইগদৌরি। অদুগা, ভারতকী প্রধান মন্ত্রি অমনা লৈবাক অদুদা চৎপা অহুমলকশুবা ওইগদৌরি। প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অদুদা লৈরিঙৈদা নামিবিয়াগী রাস্ত্রপতি-নেতুম্বো নন্দি নদিয়াদৱাগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ওইবা ৱাফম কয়া

খন্নগনি। লুচিংবা অনিনা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তসু ৱারী শান্নরক্কনি।

শ্রী মোদিনা নামিবিয়াগী সংসদতসু ৱা ঙাংগনি। শ্রী মোদিনা নামিবিয়াগী অহানবা রাস্ত্রপতি-ডা: সাম নুজোমাগী মফমদসু লৈ কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

**কালাঃ** ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী ৱেবেক্স স্তার্টঅপ এসিলেরেটর প্লেটফোর্মদা কালা সেটু-রিয়েল-টাইম লেঙ্গোইজ টেক ফোর ভারত চেল্লেঞ্জ হৌদোকখ্রে।

লৈবাক অসিগী মফম শিনবা থুংবদা পায়খৎলিবা খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী মমিং লৈরবা এ.আই. স্তার্টঅপশিংনা তোঙান তোঙানবা লোলশিংদা ওদিও, ভিদিও অমসুং গ্রাফিক শিজিন্নদুনা দরকার লৈবা মফমশিংদা এ.আই. শিজিন্ননবা থবকশিং পায়খৎকদৌরি।

স্তার্টঅপশিংনা থা অসিগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা কালা সেটু চেল্লেঞ্জ কেটেগোরিগী মখাদা ৱেবেক্স পোরটেল-ডল্লিয়ু ডল্লিয়ু ডল্লিয়ু. দোট ৱেবেক্স দোট ৱেবস বজার দোট কোমদা চংদুনা রেজিস্তার তৌরকপা য়াগনি হায়রি।

**আর্মি ঃ** চীফ ওফ দা নেবেল ষ্টাফ এদমিরেল-দিনেস কে. ত্রিপাথি, চীফ ওফ দা ইয়ার ষ্টাফ-ইয়ার চীফ মার্সেল-এ.পি.সিংহ অমসুং চীফ ওফ দা আর্মি ষ্টাফ-জেনরেল ওপেন্দ্র দ্বিবেদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকপা অপুনবা মিলিটরি ওফিসারশিংগী মীফমদা ৱা ঙাংখি।

থৌরম অদুদা সার্ভিস অহুমগী মকোকশিংনা কৎথোকপগা লোয়ননা মখা তানা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা পাউতাক পীখি। থৌরম অদুদা সার্ভিস অহুমনা পুন্না শরুক য়াদুনা কংফাল, নোংথক অমদি ঈশিংগী লমদা ওপরেসন চথমীন্নবদা লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদসু খন্ন-নৈনখি।

**বৈষ্ণোঃ** কেন্দ্রগী রেলৱে মন্ত্রি অস্বিনি বৈষ্ণোনা বিহারগীদমক অমৃট ভারত রেলগাড়ি ৪ হৌদোক্লগনি হায়না লাউথোকখ্রে। শ্রী বৈষ্ণোনা হায়-তোঙান তোঙানবা বন্দে ভারত অমদি নমো ভারত এক্সপ্রেস রেল গারিগী মতুংদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিদগী বিহারগী প্রজাশিংদা পীবা অখন্নবা খুদোল ওইরগনি। মন্ত্রিনা হায়-কিলোমিতর ১০৪ শাংবা ভকতিয়াপুর-রাজগির-তিলায়া রেল সেক্সন শেমগৎনবগীদমক লূপা কোতি লিশিং ২ কাইথোকপদা অয়াবা পীরে।

শ্রী বৈসনোনা হায়-নৌনা চেনগদৌরিবা অমৃট ভারত রেলগাড়ি অসি পাটনা-দিল্লি, দরভঙ্গা-লক্ষনৌ, মালদা-লক্ষনৌ অমদি সহরসদগী অমৃটসর ফাওবা চেনগনি হায়রি।

**এক্সিদেন্টঃ** তামিল নাদুগী কুদানোর অমদি আলাপাকমদা চেনবা পেসেঞ্জর রেলগাড়ি অমনা মহৈরোইবা তোংবা স্কুল ভেন অমদা থোন্বদা মহৈরোই অহুম লৈখিদ্রে। মঙা অমনা অশোক অপন নংখ্রে। শোক্লবা মহৈরোইশিং অদু পুদুচেরিগী হোস্পিতাল অমদা লায়কন্নরি।

তামিল নাদুগী মুখ্য মন্ত্রি-এম.কে. ষ্টেলিননা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিং মহৈরোইশিংগী ইমুং মনুংদা লুপা লাখ মঙা-মঙা অমদি শোক্লবা মহৈরোইশিংদনা লুপা লিশিং ৫-৫০ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** খেল্লো ভারত এ.বি.ভি.পি. মনিপুর ষ্টেটনা শিনদুনা হম্ফাল ৱেষ্টকী মাইবম লৈকাই হৈনৌ খোংনেম্বীদা লৈবা আই.আর. তব গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা ষ্টেট লেবেল নোক আউট ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মেটচশিংদা-পান্থোইবী এফ.সিনা সেকমাইজিন এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা, স্মোগ এফ.সিনা পাইরোই খোঞ্জিন এফ.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা, দি.এম.য়ু.(এ) না কেম্পস কিংবু পাঞ্জল ৩-২ দা, দি.এম.য়ু. (বি) না এম.আই.য়ুবু পাঞ্জল ৩-২ দা, চাকলেন এফ.সিনা এম.কে.ৱাই.সি. মহাবলিবু পাঞ্জল ৩-০ দা, ৱার্ল্ড প্রোনা লেজেন্ট এফ.সিবু

পাঞ্জল ৩-১ দা, ইম্ফাল কলেজনা লম্পাক এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-১ দা অমসুং ৱিক এন্দ য়ুনাইটেদ এম.য়ুনা গোল্ড জিম এফ.সিবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল (এল)ঃ** অনিশুবা প্রিমিয়র লিগ ফুটবোলগী ঙসি তাকয়েলদা লৈবা সাই গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা-এফ.সি. রেংদাইনা এঠলেটিক ব্রদরস এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা, রাইজিং এঠলেটিক য়ুনিয়ন রাও অমসুং অংথা এফ.সি. পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে